ম্যান্মার মিলিটরিনা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা অপীকপা খুঙ্গংশিংদা অর্টিলরি সেলশিং কাপশিন্দুনা এটেক চথরি

নেপিদো, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১ দগী হৌরগা ম্যান্মারদা হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু মিলিটরিনা নম্ফুদা ইন্থুরবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা থমদুনা লাক্লি। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়ামখক্তা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু মখা তানা মিলিটরি লৈঙাক্লা লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া লেপ্পা লৈতনা চথরি। ঙসিসু লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা অপীকপা খুঙ্গংশিংদা মিলিটরিনা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথখ্রে হায়রি।

ম্যান্মারদা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্তাগী মায়োক্তা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংনা মীয়ামগী খোঙজং অদুবু মপুঙ ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা মিলিটরি আউটপোষ্টশিংদা মখল মখা কয়াগী এটেক চথবা হৌরকখিবনি। রেবেলশিংনা চথরিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা মিলিটরিগী মায়কৈদগীসু কংফাল অমদি নোংথক্কী শরুক্তগী এটেকশিং চথরি।

রেবেল গ্রুপশিংনা লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা মিলিটরিনা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা এটেকশিংদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া অশোক অপন নংহনখ্রে। য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু খাঙবা ঙমদবদগী মীওই কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। কয়া অমনা মনাক নক্লা লৈবা উমংশিংদা লোত্তুনা মথ্বায় হিংনবা হোৎনরি।

লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক মরুওইনা থানতলাংদা লৈবা খুঙ্গংদা কারেন ইথনিক রেবেল গ্রুপশিং লৈরম্বা য়াই চিংনবদগী মিলিটরিনা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা চথখিবা এটেক অমদা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকখ্রে। খুঙ্গং অদুদা হান্না লৈরম্বা মীওইশিংসু য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইন্দিয়াগী মনুং চনবা ষ্টেট মিজোরামদা চেনশিল্লক্তুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

মিজোরামদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা থাং বিয়াক কৌবা ম্যান্মার রেফ্যুজি অমনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয় হৌখিবা সেপটেম্বর ১৪ দা ঙমখৈগী শরুক লাম্থোক্তুনা মিজোরামদা চঙজফম লৌদুনা লাকখিবনি। মখোয়না লাকখিবা মতমদা মশাদা করিমত্তা লোয়নরকপা ঙমখিদে। খুদক্কী ওইনা হিংনবা চেল্লকখিবনি। থানতলাংদা লৈহৌরিবা মখোয়গী য়ুম অমদি লমশিং অদু নত্তবা মখোয়গী মরল অমত্তা লৈত্রে। অদুবু মখোয়গী য়ুমশিং অদু মৈনা চাকপগী পাউ অমা ইন্দিয়াগী চেনেল অমদা উৎলকপা থেংনরে। মদু উরুবদগী মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং তুম্বা চাবা খঙদরে।

মহাক্কী য়ুম খক্তা নত্তনা থংননা লৈরিবা য়ুমশিংসু মৈনা চাকখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ফরক্তুনা মখোয়না হান্নগী ময়ুমদা চৎলগা করি তৌগদবনো হায়বা খঙদ্রে। য়ুম অমা অমুক হন্না শাগনি খনবদা অৱাবা ওইরে হায়রি।

অমরোমদা ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রাইট গ্রুপ ৫০০ হেনবনা মিলিটরিগী থৌওংশিং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক লেপ্নবা তকশিনবা লৈখ্রে। য়ু এসনসু ঙসিগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিষ্টানদা পোলিও ভেক্সিনেসন হৌখ্রে, টালিবাননা মতেং পাংলি

কাবুল, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স চিলদ্রেন এজেন্সিনা ঙসিদগী হৌরগা অফঘানিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোলিও ভেক্সিনেসনগী থবক পাঙথোকপা হৌখ্রে। টালিবাননা ভেক্সিনসেনগী থৌরমশিংদা মতেং পাংশিন্দুনা থবক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লে হায়না ইষ্টর্ন মেদিটেরানিয়ন রিজনগী ওইনা দব্লিয়ু এচ ওগী রিজনেল দাইরেক্টর ওইরিবা অহমদ হল মনধারিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টালিবান লুচিংবশিংনসু লৈবাক অসিদা ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরমশিং মপুঙ ফানা পায়খৎহন্নিংবগী অপান্বা ফোঙদোরকখ্রে। লায়না লায়চৎ অসিবু লৈবাক অসিদগী মপুঙ ফানা মুথৎনবা হোৎনবদা টালিবানগী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীরকখ্রে।

অদুবু লৈবাক অসিদা পোলিও ভেক্সিনেসনগী থবক খুমাং য়াঙশিনবা ঙমদ্রি। মসিগী মরুওইবা মরমদি ফিল্ড অসিদা ফজনা ট্রেন তৌরবা মেদিকেল ষ্টাফ নৎত্রগা নর্সকী মশিং য়াম্না হন্থনা লৈরি। ভেক্সিনেসনগী থবক খুমাং য়াঙশিন্নবা হোৎনবদা নর্সশিং নৌনা ট্রেনিং পীবগী মথৌ তারি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা লায়চৎ মখল অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা মপুঙ ফানা মুথৎপা ঙমখ্রে । অদুবু অফঘানিষ্টান অমদি মসিগা য়ুমথংনরিবা লৈবাক পাকিষ্টানদদি লায়চৎ অসি হৌজিক ফাওবা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদনা লৈরি।

লৈবাক অসিদা পোলিও ভেক্সিনেসনগী থবক পাঙথোকপদা মরী লৈনবশিংনা মতম পুম্বদা অকিবা ফাওদুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনসু লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা পোলিও ৱার্কর কয়া খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। করম্বা গ্রুপনা থৌওং অদু চথখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদনা লৈরি। মালেমগী লৈবাকশিংদা লায়চৎ অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রবসু লৈবাক খরদা ঙমদবা হায়বসি খুদিংমক্কী মায়থিবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংদা লায়চৎ অসি মখা তানা শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মসিদগী ঐখোয় খুদিংমক্লা চেকশিনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না মনধারিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

টি এল পিগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

পাকিস্তানদা লৈরিবা ফ্রান্স এম্বেসিবু লৈবাক অদুদগী তান্থোক্কদবনি হায়না খোঙজং চঙশিনখিবা টেহরিক-ই-লবাইক পাকিস্তান (টি এল পি) বু ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং চথৈ হায়বগীদমক পাকিস্তান গভর্নমেন্টনা গ্রুপ অসিবু অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মখোয়গী লুচিংবা খরা ফাজিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু গ্রুপ অসিগী থৌমীশিংনা মখোয়গী ফাজিন্দুনা থল্লিবা থৌমীশিং থাদোক্লবগীদমক লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। মমাং থাদসু গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অমদা পুলিস পর্সনেলশিংগা চাওনা উংখৎনরকপদগী ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অমা থোকখিবা থৌদোক অদুদা পুলিস ওফিস ৬ য়াওনা খোঙজংলোয় ৪ শিখি।

লৈবাক অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা টি এল পিগী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা অদু লৌথোক্লবা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রনা ফোঙদোকখিবনি। হৌজিক হৌজিকসু গ্রুপ অসিগী থৌমী কয়ানা মখোয়গী ফাজিন্দুনা থল্লিবা লুচিংবা সাদ রিজভিবু থাদোক্লবা খোঙজং চঙশিনবা লেপ্লি। মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুগী য়েংলগা লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা থল্লুরবা গ্রুপ অসিগী থৌমী ১০০০ রোম হেন্না থাদোকখ্রে। মীয়ামগী দিমান্দ মতুংইন্না সাদপু থাদোক্লবা প্রোসেস তৌরি হায়না মমাং চয়োলদা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর থাদা নহা ওইরিবা মুস্লিম অমনা ফ্রেন্স স্কুলগী ওজা অমা মঙক কক্তুনা হাৎখি। ওজা অদুনা প্রোফেটকী কেরিকেচর অমা ক্লাসতা উৎলুবদগী মহৈরোয় অদুনা মখোয়গী লাইনিংবু করেম্নৈ হায়দুনা ওজা অদুবু মঙক কক্তুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুং ফ্রান্স পুলিসনা মুস্লিম নহা অদু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ফ্রান্স প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা কেরিকেচর অদু ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসকী খুদম অমনি হায়না ওজা অদুবু কনখত্তুনা ঙাঙখি। মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাকিস্তানদা লৈরিবা টি এল পিনা মখোয়গী লায়নিং লাইশোল করেম্নবা ফ্রান্সকী এম্বেসি লৈবাক অদুদা থমদনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপদগী টি এল পিবু পাকিস্তান লৈঙাক্লা বেন গ্রুপ অমা ওইনা লাউথোকখিবনি।

পুলিসকী কা হেনবা থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না রেল্লি চৎখ্রে

টুনিস, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

টুনিসিয়াগী কোনুং টুনিসতা ঙসি নহা ওইরিবা মীওই চা কয়া থোরক্তুনা পুলিসনা ৱার্কিং ক্লাস ফেমিলিগী মীওইশিংদা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রেল্লি চৎখ্রে।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ৱার্কিং ক্লাস ফেমিলিগী মীওই অমা পুলিস কষ্টদিদা শিখ্রবা মতুং ঙসি হৌনরুবা তৌদনা মীয়াম্না ঈহৌ অদু হৌরকখিবনি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামশিং অদুনা পুলিস তম্না চৈ, নুঙ অমদি ঈশিং বোটলনচিংবা লংশিনখি। পুলিসনসু মীয়ামগী খোঙজং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপখি। লোয়ননা মীওই কয়াসু দিটেন তৌদুনা থমখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নহা ওইরিবা মীওই অমা দ্রগ কেসতা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবদগী পুলিসনা ফাখিবনি। নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংদা নহা অদু পুলিস কষ্টদিদা শিখিবনি। মহাক শিখিবগী পাউ হেক ফংবগা মীয়াম্না নুমিৎ অদুদসু পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিন্নবা হোৎনখি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী অঙনবদসু লেফ ৱিং এক্তিভিষ্টশিং অমদি ৱার্কিং ক্লাস ফেমিলিগী মীওইশিংনা ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিগী মমাংদা খোঙজংশিং চঙশিনখি। অমদি মীশি অদু পুলিসনা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখিবদগী থোকপনি হায়না খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীয়ামশিং অদুনা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা পুলিস ওফিসলশিংগী মথক্তা থিজিন্নবা অমদি মরালগী মতুং ইন্না চপ চাবা চৈরাক পীনবা তকশিনখি।

টুনিসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবতা নত্তনা মতম খরগী ওইনা ইন্তরিয়র মিনিষ্ট্রিগী থৌসু পুরিবা হিচেম মেচিকিবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা পুলিসতা মেচিকিগী লৈঙাক্লা অহেনবা পৱার কয়া পীশিনবদগী লাইবকথিবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। মমাং মতমদসু মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা পুলিস পর্সনেলশিংনা ওৎ নৈবগী থবক কয়ারক হন্না থোকখ্রে। মীয়াম্না হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।

অমরোমদা খোঙজং চঙশিনখিবশিং অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না পুলিস কষ্টদিদা লৈখিদ্রবা নহা অদু মরাল লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা হৌজিকসু পুলিসনা হায়বা ঙমদ্রি। মসিমক মখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বনি হায়খি।

মাইগ্রেন্ট ২৫ গী হকচাং রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে

সানা, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা য়েমেনদা মাইগ্রেন্ট ২০০ রোম পুদুনা লাকখিবা হি অমা মথকমখা ওনখিবগী থৌদোক্তা থিবা ফংদনা লাকখিবা মীওই ২৫ গী হকচাং ঙসি রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

প্রোভিন্সিয়েল ওফিসলনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ঙা ফাবা মীওইশিংনা অশিবা হকচাংশিং অদু থেংনরকখিবনি। য়েমেনগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ঙামীশিং অদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঙা ফাবা চৎপদা মীওইবগী অশিবা হকচাংশিং তাওদুনা লৈরম্বা থেংনরকখিবনি। খুদক্তা ঙামীশিং অদুনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পীরবা মতুং ফায়র সার্ভিসকী ষ্টাফশিং য়াওনা পুলিসশিংনা হকচাংশিং অদুবু ঈশিংদগী লৌখৎখিবনি।

ফ্লোরিদাদা অঙাং ১ য়াওনা মীওই ২ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

মিয়ামি, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদাদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গ্রোসরি ষ্টোর অমদা খূৎলায় পায়বা মীওই অমনা চহী নৌরিবা অঙাং অমা য়াওনা মীওই অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অদু মীয়ামিগী অৱাং থংবা শরুক্তা মাইল ৮০ রোম চৎলগা লৈবা রোয়েল পাল্ম বিচতা লৈবা পব্লিক গ্রোসরি ষ্টোর অমদা থোকখিবনি। গ্রোসরি ষ্টোর অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী পাউ হেক ফংবগা পাল্ম বিচ কাউন্টি সেরিফশিং মফমদুদা চঙশিনখি।

সেরিফশিংনা মফম অদু য়ৌখিবা মতমদা গ্রোসরি ষ্টের অদুদা চহী নৌরিবা অঙাং অমা, অহল ওইরবী নুপী অমা অমসুং নুপা অমা শিদুনা তারম্বা থেংনখি। মখা তানা থিজিনখিবগী মতুং ইন্না শিরল্লিবা মীওই অদুনা অতোপ্পা মীওই অনী অদুবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মখোয় অনী হাৎলবা মতুং মশা মতোমতা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা শিজখিবনি হায়না উহৌবশিংনা পুলিসতা পাউদমলকখি হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মতাংদা পুলিসকী মায়কৈদগী চপ চাবা ইনফোর্মেসন মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অমদি করি মরমগীদমক নুপা অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু চথখিবনো হায়বগী মতাংদসু খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি য়ু এসদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংনা মীওই কয়া শিহল্লি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তসু খুৎলাই পায়বা অমনা গ্রেজুয়েসন পার্টি অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৩ হাৎখিবগা লোয়ননা মীওই ৫ অশোক অপন নংহনখি।

য়ু এস নেভিগা মুক্নখ্রবা মতুং ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দনা পাক শন্না মিলিটরি দ্রিল পাঙথোকপা হৌখ্রে

টেহরান, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ওমানগী সমুদ্রদা ওইল টেঙ্কর অমা ফাজিনখিবগী ৱাহৌদা য়ু এস নেভি অমদি ইরান আর্মীগী মরক্তা মুক্নবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোর্পসনা ঈশিং, কংফাল অমদি নোংথক্কী শরুক্তা পাক শন্না মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ইরান আর্মীগী কম্মান্দর ইন চীফ অবদোলরাহিম মৌসাভিনা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরি দ্রিলশিং অদু হোর্মুজ ষ্ট্রেট, ওমানগী সুমদ্র অমসুং ইন্দিয়ান ওসিনগী অৱাং থংবা শরুকশিংদা পাক শন্না পাঙথোকখিবনি। মিলিটরি দ্রিল অসি মখা তানা হায়রিবা মফমশিং অসিদা পাঙথোকখিগনি।

ইরাননা পাঙথোক্লিবা মিলিটরি দ্রিল অসি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিং অমদি মালেমগী লৈবাক অমত্তদা শিংনবা উত্তুনা পাঙথোকপা নত্তে। লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। দ্রিল অসিগী শরুক অমা ওইনা খুদক্কী ওইনা য়েক্লবশিংগা মতৌ করম্না মায়োক য়াগদগে অমদি করম্না খুদোংথিবা তাঙ্কক অমবু ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং য়াওহন্দনা টেকল তৌগদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেন তৌরবা লান্মীশিংনা দেমোন্সট্রেট তৌগনি।

অমরোমদা ইরাননা মমাং থাদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি দ্রিল অমবু ইজরেলনা মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনখিবা অদু লাইবক থিবনি। ইজরেলগুম্না নারোলদা ইরাননা এটেক তৌবগী ৱাখল লৈতে। ইরাননা করিগুম্বা ইজরেলদা এটেক তৌবা পাম্লবদি মতম অমদা হেক্তা তৌবা ঙম্বগী পৱার লৈ হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়রি। পনবা য়াবদি নুমিৎ খরনিগী মমাংদা য়ু এস নেভিগা উংখৎনখ্রবা মতুং দ্রিল অসি পাঙথোরকপনি।

মীওই ৪ হাৎখিবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রেল্লি চৎখ্রে

ওটাৱা, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কানাদিয়ন মুস্লিম ইমুং অমগী মীওই ৪ মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা নথানিয়ন ভেল্টমান কৌবা কার দ্রাইভর অমনা মহাক মশানা থৌরকখিবা কার অদুনা অতম্নবা থোল্লগা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ানা রেল্লি চৎখ্রে।

মীওইবগী মীনুংশি চেন্দবা অমদি কাঙলূপ মশেন উংখৎনহল্লকপা য়াবা থৌওং অদুবু কনাদিয়ন মীয়াম খক্তা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুবু লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীনবা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি।

ওন্তারিয়োদা ঙসি মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ানা মুস্লিম ফেমিলি অদুবু কারনা থোমদুনা হাৎখিবা মফমদুদগী হৌরগা কিলোমিটর ৭ লোম শাংনা রেল্লি চৎখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা নুংশিবনা মতম খুদিংমক্তা মাং থারগা হিংমিন্নগদবনি, মীনুংশি চেন্দবা মীওইশিংগী লৈফম মালেমদা লৈতে হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি। লন্দনদসু ঙসি থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না রেল্লি চৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবা কোলেজ মহৈরোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা লন্দনদা লৈরিবা মীয়াম্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনরি অদুবু অপিকপা ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিংনা কাঙলুপ মশেন নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি।

টি পি এল এফ রেবেল গ্রুপ চঙশিল্লকপা থিংনবা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

অদিস অবাবা, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়া গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী মরক্তা মতম শাংনা খুৎ থোক্লদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা টিগ্রে রিজনদা লৈরিবা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনখ্রবা মতুং রিজন অদুদা খুৎ থোক্লবা লেপ্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা মতেং পাংলমখিবা ইরিত্রিন ফোর্সশিং লৌথোকখ্রবা মতুং রেবেল গ্রুপ অসিনা ইথিওপিয়া গভর্নমেন্ট ফোর্সপু রিজন অদুদগী অমুক তকথোকপা হৌরকখিবনি। রেবেল গ্রুপ অসিনা টিগ্রে রিজন মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী কোনুং অদিস অবাবা তম্না চঙশিন্নবা হোৎরক্লিবা অদু থিংনবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ওইবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক পুম্বদা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে।

ঙসিসু লৈবাক অসিগী কোনুং অদিস অবাবাদা লৈরিবা মীয়াম থোরক্তুনা মিলিটরিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনখিবগা লোয়ননা রেবেল গ্রুপ অদুনা সিটি অসিদা চঙলকপা ঙমদনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎলকপদা মীয়াম্না অঙন্বা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা মথৌ তৌরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা পীখি।

ইথিওপিয়াদা লৈরিবা য়ু এস এম্বেসিনসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এসকী নন-ইমর্জেন্সি ষ্টাফশিংদি মফম অদু থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখ্রে। সাউদি অরাবিয়া, নোরৱে, স্বিদেন অমসুং দেনমার্কনসু মখোয়গী সিটিজনশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা ৱার্নিং তৌখ্রে। অমরোমদা ঙসি মীয়াম থোক্তুনা মিলিটরিগী থবক্তা মতেং পাংখিবা অদুনা রেবেল গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা সিটি অসিগী মীওইশিংনা লেপ্লি অমদি মখোয়বু থেংননবা শেম শাদুনা লৈরি হায়বদু উৎলি হায়না লোকল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

চহী ২ রোমগী মতুংদা ঙমখৈগী শরুক হাংদোকখ্রে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা চহী অনীরোম থিংজিন্দুনা লাক্লুরবা য়ু এসকী ঙমখৈগী শরুক অমুক হন্না হাংদোক্লুবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল ট্রাভেল্লরশিংনা লৈবাক অসিদা হান্নগুম্বা ভিজিট তৌরবা য়ারগনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক হৌরকপদগী মতম শাংনা লৈবাক অসিনা ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। লৈবাক অসিদা ভেক্সিনেসনগী থবক খুমাঙ চাওশিল্লকপা অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ওইনসু ভেক্সিনসনগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎনবা হৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা অথিংবশিং লৌথোক্লুবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুম ওইনমক ভেক্সিন কাপত্রিবা অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওইশিংনা য়ু এসতা চঙলকপা মতমদা অথিংবা খরদি অদুম্মক লৈখিগনি হায়রি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইকনমিগী ফিভম ফত্তবা লৈবাকশিংদা অমুক্কা হেন্না চৈথেং পীরি

পেরিস, নভেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

মালেমদা অঈং অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল হল্লি। মসিগী মনুংদা ইকনমিগী ফিভম ফত্তবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্লুহল্লি হায়না ষ্টদি রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাক্লিবা কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাং অসিদা চপ চাবা এক্সন লৌহৌদ্রবদি হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা শাবগী চাং অসি ২.৯ দিগ্রি সেলসিয়স হেনগৎলক্কনি। হায়রিবা অসি হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা থিজিনবদা ফংখিবা রিপোর্টনি। অদুবু হায়রিবা অসিদগী শাবগী চাং হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা য়াম্না চাওনা লৈ।

১৯ শুবা চহী চাগা য়েংনরুবদা মালেমগী লৈমায়গী শাবগী চাং অসি ১.১ দিগ্রি সেলসিয়স হেনগৎলকখ্রে । মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক খরদদি খম থেংনা শাবা য়াওরে। অশাবা খাঙবা ঙমদবদগী মী শিবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। মসিদা নত্তনা ইকনমিগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবা অফ্রিকান নেসন্সশিংদা ঈকং, ঈচাও অমদি নোংলৈ নুংশিৎ কয়া থোকপা হৌরক্লি।

মহৌশাগী খল কায়থরকপদগী মীওইবা খুন্নাইদা মহৌশানা পীরকখিবা চৈথেংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মখা তানসু শিহল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। হন্দক মালেমগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা লৈরিবা রেন ফোরেষ্টশিং য়াওনা অচৌবা উমং কয়া মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা অসি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মপুং ফারবা খুদম অমনি। মরম অদুনা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা খুৎলায়গী লমজেল তান্নবা তোল্লগা মহৌশাবু অশাবগী খয়াত্তগী কনবগী মতম ওইরে। মীয়ামগী অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা হায়রি।